# 2016

# MANIPURI

## (Modern Indian Language)

**Full Marks : 100**

**Pass Marks : 33**

**Time : Three hours and *Fifteen Minutes**

***(*15 minutes are given as extra time for reading questions)***

***নশাগী ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা মরী লৈনবা পাউখুম পীগদবনি।***

***ৱাহং খুদিংগী মার্ক ৱাহংশিংগী মপা-মপাদা য়েৎথংবা চেবান্দা পীরি।***

কাণ্ডলুপ - 'ক'

(পাবা) ১০

মখাগী ৱারেং মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ু:

কাব্য (সাহিত্য) হায়বসি ৱাহৈ অমসুং অর্থ অনিনা পুল্লগা শেম্বা নীংথিজবা ৱাহৈগী লৈচল অমনি। কাব্য ইরিবা মী অদুনা মাগী থম্মোইদা তাবা ফজবা ৱাখলগী মমি অদু ৱাহৈগী মতেংনা ফোংদোকপনি। শৈরেং অমদি ৱারেং খুৎই মখল অনিমক্তা কাব্য ইনৈ। ছন্দগী নিয়মনা পুন্দুনা ইবা খুৎইবু শৈরেং অদুগা পুন্দববু ৱারেং হায়না খঙনৈ। মহাকাব্য, প্রবন্ধ কাব্য, খণ্ডকাব্যনচিংবশিং অসি শৈরেংদা ই। অদুগা ৱারীমচা, উপন্যাস, নাটক, নিবন্ধনচিংবা অসিনা ৱারেংদা ই। নাটকপু দৃশ্য (য়েংননবা) কাব্য হায়নসু খঙনৈ। কাব্যনা পীরিবা নুংঙাইবা অসিবু কাব্যগী রস (মহাও) হায়না খঙনৈ। কাব্যগী রস অসি মখল মাপলনি। মহাকাব্য অমদা রস মখল মাপল অসি য়াওবা তঙাইফদে। রসনা কাব্যগী থৱাইনি। রস য়াওদবা কাব্যদি থৱাই য়াওদবা হকচাংগুম্বনি।

১। কাব্য কদায়বু কৌবগে ? ১

২। কাব্য করম্না পোকলকপগে ? ১

৩। শৈরেং অমদি ৱারেংগী খেন্নরিবসি করিদনো ? ১

৪। শৈরেংদা ইবা কাব্য মখল অমগী মমিং ইরকউ। ১

৫। উপন্যাস হায়বসি করম্বা খুৎইদা ইবগে ? ১

৬। দৃশ্য কাব্য হায়রগা করিবু খঙনবগে ? ১

৭। কাব্যদা রস হায়রগা করিবু খঙনবগে ? কাব্যগী রস মখল কয়া শুবগে ? ২

৮। রস অমদি কাব্য অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী শন্দোক্লা তাকউ। ২

### কাঙলুপ - 'খ'

### (ইবা) ২৫

৯। মখাদা পীরিবা হীরমশিং অসিদগী অমতং খল্লগা মদুগী মরমদা রচনা (এসে) ইয়ু : ১০

(ক) সমাজদা নহারোলগী থৌদাং

*নৎত্রগা*

(খ) বিজ্ঞান অমসুং মীওইবা

১০। (ক) চুরাচান্দপুরগী লমকা বাজারদা লৈবা মিস ইলিজা গাংতে কৌবা নহাক্কী মরুপতা নবেম্বর থাদা ইম্ফালদা পাংথোকপা শঙাই ফেষ্টিবেল য়েংমিন্নসি হায়বগী ৱারোল য়াওবা চিঠি অমা ইয়ু। নহাক্কী নমিং মোনিকা সলাম, কাঙবম লৈকাই হায়না থাগদবনি। ৬

*নৎত্রগা*

(খ) নহাক সাপম রোবার্ত রিপোর্তর থৌবালনি। খুদক্তা থোক্লকপা ঈশিং ইচাওনা শোকহল্লবা থৌবাল কেন্দ্রগী খুঞ্জাশিংদা পীবা য়াবা তেঙবাং পীবিনবা সরকারদা হায়জবগী ৱারোল অমা পাউচেদা হাপ্পবা 'পোক্লফম' এদিতরগী মিংদা ইরকউ। ৬

১১। (ক) মহৈরোই অমগী পুন্সি শেন্দা মমা-মপা অমসুং তম্নীরিবা ওজাশিংগী চপ মান্নবা থৌদাং লৈ হায়বগী ৱারোল য়াওবা আর্তিকল অমা স্কুলগী মেগাজিনদা হাপ্পবা ইরকউ। ৬

*নৎত্রগা*

(খ) পরিক্ষাদা নত্তবা পাস্নে-শীজিন্নদুনা মায়-পাকহনবা হায়বদি ইরোইবা হৈতবা মীশক অমবু ঈশিং-ঈপাক্তা লংথবগা চপ মান্নে হায়বা হীরমসিদা নশাগী ওইবা মত ফোঙদোকপা ৱারেং মচা অমা ইরকউ। ৬

১২। মখাগী পাউরৌশিং অসিদগী অমা খল্লগা নুংগী অর্থ শন্দোক্লা ইয়ু: ৩

(ক) নোংমদা পোকপা মচানা নিনী শিবা হৌনদে।

*নৎত্রগা*

(খ) মীনা শিবনা চীন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা।

কাঙলুপ - 'গ'

(শৈরেং) ২৫

১৩। 'খোজ্জৈ খৃত্তা পায়

কোবর্বাক মাঙদা থা

পলেমগী নীংথিবা খোৎচিলহৌ।'

— 'চুম্মি'/ 'লাল্লি' ইয়ু। ১

১৪। মপানা নোক্তুনা তস্মি লৈকাইদা

'ঐগী ইচাদি পাণ্ডববনি।'

— 'চুস্মি'/ 'লাল্লি' ইয়ু। ১

১৫। 'হাদ সনা পুঙ্গুয়োল

পলেম লায়েক-তরেৎনু'

— করম্না মণিপুর ইমাবু 'লায়েক-তরেৎনু' মিঙ্গৌরিবনো ? ১

১৬। 'শাবী মেলৈ লাংবগা

লাংমিন্নবা লৈরাংদো'

— মোইরাং কংলৈরোলদা মেলৈ-লাংবা হায়রগা কনাবু খঙনবগে ? ১

১৭। 'মৈতৈ কবি' শৈরেংদা লৌশিংগী থাউমৈ থাল্লগা কবিনা করি তৌসি হায়বগে ? ২

১৮। 'কাঙ্খী লৈকোল। আ: কাঙ্খী লৈকোল য়েংসি লাউ,

লৈকোল অসি কুইদরি

খোন্নৌ নহা খোইনিং অমা'

— খোইনিং অমা হায়রিবা অসি কনাবুনো ? খোইনিং হায়না করিগী শৈথারিবনো ? ১+১ = ২

১৯। 'মীৎ চোইনীংদ্রে নীংথিরে ফজরে।'

— করি মরমদগী কবিনা মীৎ চোইনিংদ্রে নীংথিরে ফজরে হায়রিবনো ? ২

২০। লিন তোংবা ফিরান্না হাইনা হুম্না অতিয়াদা

পাইরম্মী তোবর্বান অসিদা

— লিন তোংবা ফিরান হায়বসি করিনো? করি মরমদগী তোবর্বান অসিদা পাইরমলিবনো?

১+২ = ৩

২১। 'লাইগী মচা কোশ্নীরৈ
লম্ফেল নরা হায়নবদাই।'
— শৈরেং মতেক অসিগী ৱাহন্থোক শন্দোক্লা তাক্কুনা ইরকউ। ৩

২২। অরি-অনৌ অনীদি কোন্ননা অদুম লৈখিনি।
তোবর্বান অনীনা তিন্দ্রিফাও
মথক্কী শৈরেং মতেক অসিনা পীনিংলিবা পাউজেল অসি করিনো ? ৩

২৩। 'লাইরবগী ৱারী' শৈরেংদা কবিনা ফোংদোকনিংলিবা নুংগী ভাব করিনো ? ৩

২৪। 'য়োংগী জগোই' শৈরেংদা মপুগী চৈ উবদা য়েংলিবা মীয়াম অমসুং কবি মশাসু জগোই শাদুনা লৈরম্মী হায়বগী নুংগী ওইবা ৱারোল করিনো ? ৩

## কাঙলুপ - 'ঘ'

(ৱারেং) ৩০

২৫। অতিয়াগী মচুদি শংবান্নবা মচুনি।
— 'চুম্মি' / 'লাল্লি' ইয়ু। ১

২৬। তম্পাক্কী মচানুপা জাপানগী খুত্তগী নাম্থোরকখি
— 'চুম্মি' / 'লাল্লি' ইয়ু। ১

২৭। ৱাইথৌ শগোল হায়রগা কনাবু খঙনবগে ? ১

২৮। মণিপুরগী ইতিহাসতা ফাওরবা নুপীলাল করম্বা মতমদা তৌখিবগে ? ১

২৯। অমাজোন বেসিন হায়বসি করিনো ? ১

৩০। মৈতৈ নুপীনা ৱাহৈ কারল চল্লকপা মীদা করম্না দণ্ডী পীবা ঙম্বগে ? ১

৩১। নুমিৎ মণ্ডালদা য়াওবা অল্ট্রা ভাইওলেট রে অসিনা পৃথিবীদা চঙবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো ? ১

৩২। তম্পাক্লা মৌনহা অদুগী কোল মুন্দুনা ফেংলিবদু মরম করিগীনো ? ১

৩৩। ইরাবতনা "নিখিল মণিপুরী হিন্দু মহাসভা" সংস্থান অসিগী মিংদগী 'হিন্দু' হায়বা ৱাহৈ লৌথোকখিবসি মরম করিগীনো ? ১

৩৪। চীঙ্গাক-লীপুন (ফুদ-চেন) হায়বসি করিনো ? ২

৩৫। খুৎশেম্মগী উপগ্রহনা পীরিবা কান্নবশিং শীংথাদুনা ইরকউ। ২

৩৬। তম্পাক্কী পুন্সিদা থেংনখিবা লানশিংদুনা মঙোন্দা করি করি চৈনা পীখিবগে ? ৩

৩৭। এইডস লায়না থিংননবা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসন (W.H.O) গী চেকশিন-থৌরাংশিং অদু করিনো ? মথং-মনাও নাইনা ইরকউ। ৩

৩৮। সনাহেংবনা ইশ্মোল মচেৎ অমা য়োনগে হায়বদা সনাহনবীনা করিগীদমক পামদ্রিবনো হায়বদুগী মরম মরীক চুম্না নৈনদুনা ইরকউ। ৩

৩৯। (ক) 'ইরাবত অফবা কবি অমসুং সাহিত্যকারনি'

'হিজম ইরাবত সিংহ' ৱারেংগী মতুংইন্না শন্দোক্লা নৈনদুনা ইরকউ। ৮

(খ) নুংশিৎ করম্না মোৎশিল্লকপগে? করি করি থৌদাং পায়খৎলগা নুংশিৎ শেংনা থমদুনা নাদ-য়েক্তনা হকচাং ফনা লৈহনসিগে হায়বগী মতাংদা শন্দোক্না নৈনদুনা ইরকউ। ৮

## কাঙলুপ - 'ঙ'

## (গ্রামার) ১০

৪০। ৱাহম্বোক্কী মিৎয়েংদা ৱাহৈ পরেং মখল অনী লৈ।

— 'চুম্মি' / 'লাল্লি' ইয়ু। ১

৪১। ইম্পরেটিভ সেন্তেসকী খুদম অমা পীয়ু। ১

৪২। এদজেক্তিভ ফ্রেজগী খুদম অমা পীয়ু। ১

৪৩। কম্পাউন্দ সেন্তেসকী খুদম অমা পীয়ু। ১

৪৪। <u>লাইরিক ফৈ হায়বা</u> অঙাংদু তোম্বনি।

— মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসিদা লৈই চিংলিবা ক্লোজসিগী মশক তাকউ। ১

৪৫। 'চৈ কাবা' হায়বসি হাপ্পুনা চৎনবী অর্থ ফোঙদোকপা ৱাহৈ পরেং অমা শেম্মু। ১

৪৬। "কৈনা তোকপা পোকপা হৌনদে।" পাউরৌ অসি হাপ্পুনা অর্থ থোকপা ৱাহৈ পরেং অমা শেম্মু। ২

৪৭। ইভেন্ত অমসুং স্তেইত হায়রিবশিং অসি করিনো ? খুদমগা লোয়ননা তাকউ। ২

---